# ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ষ্ট্রোংমেন অনুব্রাতা মোন্দল হোস্পিটলাইজ তৌখ্রে, অমুকসু সিবিআইনা ৱাহং পাউহং তৌবা য়াখিদ্রে




কোলকত্তা, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী): ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ষ্ট্রোংমেন অমসুং পার্টিগী ভিরবুম দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট অনুব্রাতা মোন্দল য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা এসএসকেএম মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটালদা হোস্পিটলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা কোয়লা অমসুং ষণ স্মগ্লিং কেসকা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই) না ৱাহং পাউহং তৌগদবদা অমুক হন্না য়াখিদ্রে।

ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ষ্ট্রোংমেন অসি য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা নিজাম পেলেসতা লৈবা সিবিআই ওফিসতা থুংগদবনি। মহাক য়ুমশকৈশগী অয়ুক্তা কোলকত্তাগী চিনার পার্কতা লৈবা মহাক্কীময়ুমদগী খোঙশানখি।

তৌইগুম্বসুং সিবিআইগী ওফিস য়ৌশিনবগী মহুত্তা মহাক চেষ্ট অমসুং ষ্টোমাক প্রোব্লেমশিংগী কমপ্লেন্টগা লোয়ননা এসএসকেএমদা চৎখি। মহাকপু হোস্পিটাল অদুদা ডাক্তর টিম অমনা একজামিন তৌখি অমসুং মমৈথংদা মহাক নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা ভিভিআইপিশিংগী ওইবা এসএসকেএমগী ৱুদবর্ন ৱার্দতা এদমিট তৌখি।

হোস্পিটলাইজেসন মতুং ইকান কান্নদনা মোন্দলগী কাউন্সেল সিবিআইগী ওফিস য়ৌখি অমসুং ত্রিনামুলগী লুচিংবা অসিনা খুৎয়েক পীবা লেটর অমা মহাক্না শিন্নখি। লেটর অদুদা লুচিংবা অসিনা হকচাংগী ফিভম্না মরম ওইদুনা মহাক ইন্টরোগেসনগীদমক এজেন্সি অসিগী স্লুটশিং উন্নবা লাকপা ঙমখিদ্রে হায়না পনখি অমসুং থম্মোয় শেংনা লাক্নিংলবসু সিবিআইদা কোওপরেসন পীবা ঙমখিদ্রে হায়না ইখি।

মোন্দলগী কাউন্সেল অনিরভান গুহা থাকুরনা মিদিয়াগী মীওইশিংদা হায়খি, মদুদি হৌখিবা মতম খরা অসি মহাক্কী ক্লাইন্ট অদু অনাবা মখল খরনা মরম ওইদুনা মশা ঙমদদুনা লাকখি। সিবিআইনা তোইনা সম্মন তৌদুনসু মঙোন্দা অহেনবা মেন্টল প্রেসর পীখি। মহাক তঙাই ফদনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হোস্পিটলাইজ তৌবা তাখি। মসিনা মরম ওইদুনা মহাক সিবিআইদা লাকপা ঙমখিদে।

হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না প্রোব এজেন্সি অসিদা ইনফোর্ম তৌখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীরদুনা বিজেপিগী ষ্টেট য়ুনিট চীফ সুকান্ত মজুমদারনা হায়খি, মদুদি মোন্দলনা সিবিআই ওফিসতা চৎপগী মহুত্তা হোস্পিটাল ওইনা য়ৌগনি হায়বসি মহাক্না অয়ুক অঙনবদগী খন্দুনা লাকখি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্না মতম কয়াম শাংনা সেন্ট্রেল প্রোব এজেন্সি অসিবু নাথৈবা ঙমগদৌরিবনো।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ত্রিনামুলগী স্পোক্স পার্সন কুনাল ঘোসনা হায়খি, মদুদি মসি লিগেল মেটর অমা ওইবনা ঐহাক্না কম্মেন্ট পীবা পামদে।

তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না মতাং অসিদা হায়নিংলিবদি মমাঙদা ঐহাকপু ষ্টেট পুলিস, সিবিআই, ইদি অমসুং সেরিয়স ফ্রাউন্দ ইনভেষ্টিগেসন ওফিসকুম্বা তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন সম্মন তৌবা লৈখি।

এজেন্সিশিং অসিদা ঐহাক্না চৎখিদবা অমত্তা লৈতে। তশেংনমক সেদ্যুল মতমদগী য়ামদ্রবদা মিনিট ৫ ঙনখৎনা ঐহাক্না এজেন্সিগী ওফিস থুংখি। ঐখোয়গী পার্টি নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি অবিসেক বেনর্জি ফাওবা ৱাহং পাউহং তৌহন্নবনি হায়দুনা এজেন্সিশিং অসিদা চৎতনবা হোৎনখিবা কয়া লৈখি।

# গভর্নমেন্টনা ফৌ ৱানবগী মতাংদা টিআরএস লিদরশিং অমদি ৱার্করশিংনা নেসনেল হায়ৱেশিং থিংখ্রে



হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা টেলঙ্গনদাগী ফৌ ৱান্নবা তকশিল্লদুনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী রুল্লিং পার্টি টিআরএসনা নেসনেল হায়ৱেশিং ব্লোক তৌখ্রে।

পার্টিগী লুচিংবশিং অমসুং ৱার্করশিংনা মুম্বাই, নাগপুর, বেঙ্গলুরু অমসুং বিজয়ৱাদা নেসনেল হায়ৱেশিংদা 'রাষ্টা রোকো' প্রোটেষ্ট চখখি।

পার্টিগী ফিরালশিং, প্লে কার্দশিং পায়রদুনা অমসুং স্লোগান কয়া লাউরদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা হায়ৱেশিংদা ফমজিনবদগী ট্রাফিক জাম চাওনা থোকখি। প্রোটেষ্টর খরদি ফৌ পান্বীশিং পুদুনা চৎখি।

মিনিষ্টরশিং, ষ্টেট লেজিসলেটরশিং অমসুং অতৈ পব্লিক রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা প্রোটেষ্ট অদুবু লুচিংখি। হৌজিক্কী রবি সিজন মনুংদা টেলঙ্গনাদগী ফৌগী পোখোক পুম্নমক লৈননবা মখোয়না সেন্টরদা তকশিনখি।

মিনিষ্টর ফোর ফোরেষ্ট ইন্দ্রকরন রেদ্দিনা নির্মল টাউনগা নক্লনা হায়দ্রবাদ-নাগপুর হায়ৱেদা চখখিবা ব্লোকেদ অদু লুচিংখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি মখোয়না রাষ্টা রোকো পাঙথোক্লিঙৈদা মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহন্নবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিগী ফৌ লৈনবা তকশিন্নবগীদমক্তনি।

দিল্লিদা লৈরিবশিংনা ঐখোয়গী দিমান্দশিং তাবা হায়বসি ঐখোয়গী অপাম্বনি। অদুনা ঐখোয়না নেসনেল হায়ৱেশিংদা রাষ্টা রোকো অসি পাঙথোক্লিবনি।

মহাবুবনগর দিষ্ট্রিক্টকী ভুঠপুরগা নক্লনা হায়দ্রবাদ-বেঙ্গলুরু হায়ৱেদা চখখিবা রোদ ব্লোকেদতা এক্সাইজ মিনিষ্টর স্রিনিভাস গাউদ অমদি অতৈ টিআরএস লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি। হায়দ্রবাদ-নাগপুর হায়ৱেগী মেচালদা অচৌবা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ট্রাফিক জাম চাওনা থোকখি।

পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিং দিটেন তৌখি অমসুং মখোয়বু পুলিস ষ্টেসনদা পুখি। সঙ্গারেদ্দি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হায়দ্রবাদ-মুম্বাই হায়ৱেগী পাটাচেরুদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টতা টিআরএসকী এমপি প্রভাকর রেদ্দি অমসুং পার্টিগী অতৈ লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

# বেঙ্গলগী কাউন্সিল্লর তাপন কান্দু মীহাৎকী মরু ওইবা ৱিটনেস শিরল্লে



কোলকত্তা, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পুরুলিয়া দিষ্ট্রিক্টকী জলদা ম্যুনিসিপালিটিগী কংগ্রেস কাউন্সিল্লর তাপন কান্দু মীহাৎকী মরু ওইবা ৱিটনেস অমা ওইরিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মহাক্কী ময়ুমদা শিরল্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

নিরঞ্জন কৌবা ৱিটনেস অদু কান্দুগা নকশিন্নবা মীওইনি। মহাক মার্চ ১৩ দা কান্দুদা এটেক্ট তৌখিবা মতমদা কাউন্সিল্লর অসিগা লোইনদুনা লৈখি। কাউন্সিল্লর অসি মহাক্কী লোইনবী পুর্ণিমা কান্দুগা লোয়ননা নুমিদাংদা মখোঙনা চৎলিঙৈদা হাৎখিবনি।

মখোয়না চৎপা অদুদা নিরঞ্জনসু লোইনখি। নিরঞ্জনগী অশিবা হকচাং অদু জলদা অদুদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা থৌরি য়াল্লগা লৈরম্বা থেংনখি। মহাক্কী কা অদুদগী সুইসাইদ নোট অমসু রিকোভর তৌখি।

সুইসাইদ নোটনি হায়বা চে অদুদা মহাক দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী প্রেসরদা খাঙবা ঙমদ্রে হায়না পনখি। মহাক মমাঙদা পুলিস ষ্টেসন অমদা অমুক্তা চঙখিবা লৈতে হায়নসু মহাক্না নোট অদুদা মখা তানা পনখি।

নোট অদুদা তপন কান্দু হাৎখিবগী মতাংদসু নিরঞ্জন্না পনখি। মীহাৎ অদুবু পাঙথোকখিবদু মহাক্কী মমাঙদনি হায়না পল্লদুনা নুমিৎ অদুদগী মহাক পাখৎতুনা লাকখি হায়না নোট অদুদা পনখি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কংগ্রেসনা জালদাদা পুং ১২ গী ষ্ট্রাইক অমা তৌখি। লোকেল কংগ্রেস লুচিংবশিং অমসুং ৱার্করশিংনা ষ্ট্রাইক অদুবু শৌগৎতুনা রেল্লি অমা পাঙথোকখি। কংগ্রেসকী ৱার্করশিং মহাক্কী ময়ুমদা চঙশিন্দুনা অশিবা হকচাং অদু য়েংখি। মতুং তাবদা পুলিস লাক্কুনা হকচাং অদু রিকোভর তৌবগা লোয়ননা মদুবু পোষ্ট মোর্টেমগীদমক থাখি। নিরঞ্জন্না মথোঙ মরম খঙদনা শিরল্লিবদু চিংননিংঙাই ওই হায়না লৈখিদ্রবা তাপন কান্দুগী লুখ্রাবী ওইহৌরবী লোইনবী পুনিমা কান্দুনা ফোঙদোকখি।

# বিজেপি লায়রবশিংগী পার্টি ওইরে: জেপি নদ্দা

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা বিজেপি অসি হৌজিক মতম কুইনা তাবী উবীরক্তুবা লাইরবশিং, দলিটশিং অমসুং বেকৱার্দশিংগী পার্টি অমা ওইরে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পার্টি অসিগী চীফ জেপি নদ্দানা ফোঙদোকখ্রে।

পার্টিগী ৪২ শুবা ফাউন্দেসন ডেগা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা সোভা যাত্রাদা শরুক য়ারদুনা নদ্দানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা চহী ৪০ গী মতমদা মহাক্কী পার্টিনা চৎখিবা খোঙচৎকী মতাংদা পল্লদুনা নদ্দানা হায়খি, মদুদি মতম অমদা পার্লিয়ামেন্টদা বিজেপিগী এমপি অনীদমক লৈখি। মতমদুদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা পার্টি অসিবু করেম্নখি।

তৌইগুম্বসুং ঙসিদি বিজেপিনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা পার্টি হায়বদু ওইরে। ঙসি ঐখোয় রাজ্য সভাদা মেম্বর ১০০ গী মার্ক হেল্লে।

নোর্থ ইষ্টতগী কংগ্রেসকী এমপি অমত্তা রাজ্য সভাদা লৈতে। ষ্টেট ১২ দা বিজেপিগী গভর্নমেন্ট লৈ। ষ্টেট ১৮ দনা এনদিএনা লৈঙাক পায় হায়না বিজেপিগী চীফ অসিনা ফোঙদোকখি।

লোক সভাদা ওইরবসু ষ্টেটশিংদা নত্ত্রগা ম্যুনিসিপালিটিশিংগী ওইরবসু ইলেক্সন খুদিংমক্তা বিজেপিনা মায় পাক্তুনা লৈরি।

মীপুম খুদিংমক্না পার্টি অসিবু মখা তানা মায় পাকহন্নবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিদা ফেমিলি পার্টি কয়া লৈ। বিজেপি খক্তুনা মখোয়দা মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙম্মী। রাইবেলশিংনা ফাওবা বিজেপি অসি নেসনেল ইন্টরেষ্টতা কম্প্রোমাইজ তৌদবা নেসনেলিষ্ট পার্টি অমনি হায়বসি খঙই। পার্টি অসিনা চাওখৎলকখিবদা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনখিবা ৱার্করশিংবু নিংশিংলদুনা মহাক্না হায়খি, ঙসিদি ওইজবা অমত্তা থিদনা খুদিংমক কখোকখ্রবা পার্টিগী করিয়াকর্তাশিং ঐখোয়না নীংশিংলি হায়খি।


## THE HIGH COURT OF MANIPUR
## AT IMPHAL
## ADVERTISEMENT

*Imphal, the 5th April, 2022*

No. HCM/P-41/2012(A&E)Pt./ Applications are invited online for filling up the following post in the Scale of pay as given against the post.

| Sl. No. | Name of Post | Scale of Pay | No. of Posts | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | UR | ST | SC | OBC (M) | OBC (MP) | TOTAL |
| 1. | Masalchi | L-1 (Rs.15,700 - 50,000) of MS(ROP), 2019 P.M. plus other allowances as admissible under the Rules | 2 | 1 | 0 | 0 | 0 | 3 |

Details along with the mode of application are available in the High Court website – http://hcmimphal.nic.in.

Important Dates:
- Opening of Online Registration and Submission of Application Form: 18-04-2022 (11:00 A.M.)
- Closing of Online Registration and Submission of Application Form: 04-05-2022 (04:00 P.M.)
- Download of Admit Card: will be notified later in the official website www.hcmimphal.nic.in

Sd/-
( PH. JAPAN SINGH )
I/C REGISTRAR (ADMN. PM&P)
HIGH COURT OF MANIPUR


# প্লাষ্টিক আইটেমশিংগী মায়োক্তা দ্রাইভ চখনবা পেনেল শেম্লে

চেন্নাই, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী): অথিংবা থম্বা প্লাষ্টিক আইটেমশিং শীজিন্নবগী মায়োক্তা অচৌবা দ্রাইভ অমা চখনবগীদমক গ্রেটর চেন্নাই কোর্পোরেসন (জিসিসি) না মেম্বর ১৯ গী কম্মিটি অমা শেম্লে।

কম্মিটি অদু কোর্পোরেসনগী কম্মিস্নার গগন সিংহ বেদ্দিনা লুচিংই হায়রি। য়ুমশকৈশ নুমিৎকী ষ্টেটমেন্ট অমদা জিসিসিনা হায়খি, মদুদি কোর্পোরেসন অসিনা মার্চ ২০ দগী এপ্রিল ৪ ফাওবদা কম্মর্সিয়েল ইষ্টাব্লিসমেন্ট ১৭৫৮২ ইন্সপেক্সন তৌখি অমসুং অথিংবা থম্বা প্লাষ্টিক আইটেম টন ৬.৪ ফাগৎখি।

গ্রুপ অসিনা হৌজিক অথিংবা থম্বা প্লাষ্টিকশিং শীজিন্নবদা চেন্নরিবশিংগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা প্লাষ্টিক ৱেইষ্ট মেনেজমেন্ট রুলস, ২০১৬ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনরগনি।

গ্রেটর চেন্নাই কোর্পোরেসনগী কম্মিস্নারদা নত্তনা কম্মিটি অসিদা দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিং, পুলিসকী জোইন্ট কম্মিস্নার অমা, সিটি হেল্‌থ ওফিসার, সিটি রিভেন্যু ওফিসার, সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টগী সুপরিন্টেন্দিং ইঞ্জিনিয়ার, ফিসরিজ দিপার্টমেন্টগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর, কোলিজিএট এদুকেসনগী রিজনেল দিরেক্তর অমসুং ফুদ সেফতি দিপার্টমেন্টগী রিজনেল দিরেক্তরসু য়াওরি।

গ্রুপ অসিনা অথিংবা থমখ্রবা প্লাষ্টিকশিং শীজিন্নবগী মায়োক্তা মীয়ামদা এৱার্নেস পীগনি অমসুং এৱার্নেস শন্দোকপদা মোভি অমসুং টেলিভিজন ষ্টারশিংবু ব্রান্দ এম্বেসেদরশিং ওইনা য়াওহন্নবসু থৌরাং তৌরি।


## OFFICE OF THE
## NINGTHOUKHONG MUNICIPAL COUNCIL
## AUCTION SALE NOTICE

Ningthoukhong, the 4th April 2022

No. 2/TT/NMC/2022: It is hereby informed to all the interested registered firms, societies, NGOs, Clubs/organizations existing within the spatial jurisdictions of Ningthoukhong Municipal Council that the auction sales of contract for Toll Tax and Parking fee collections for financial year 2022-2023 of Ningthoukhong Municipal Council will be held on 15/04/2022 at 1.00 pm in the premises of Ningthoukhong Municipal Office. Separate application form of the 2 items can be obtained from this Office in the office hours.

Terms & condition

1. Last date & from submission is 10/04/2022.
2. Minimum bid amount of the tender for Toll Tax is Rs. 50,000/- per months and Rs. 25,000/- per months for Parking Fee collection.
3. The tender form shall be submitted in a sealed envelope with detail particulars and the cheque & other document in an unsealed envelope.
4. The undersigned the right to cancellation of any without assigning any reason.

**Sd/-Seigoulun Haokip**
**Executive Officer**
**Ningthoukhong Municipal Council**

HL-P/2187/7



## THE HIGH COURT OF MANIPUR
## AT IMPHAL
## NOTICE INVITING SEALED RATE QUOTATIONS

Imphal, the 6th March, 2022

No. HCM/S-64/84-A&E (X) : Tender in sealed rate quotation addressed to the undersigned are invited from the reputed firms for supply of 700 nos. JK Xerox Paper (F/s), 1500 nos. of **JK Xerox Paper (A4), 500 nos. of Note Sheet (80 GSM), 600 nos, of Note Sheet (Regular), 400 nos. of Duplicating Paper (HPC), 6000 nos. of the File Board Printed, 10000 nos. of Triplex Board Sheet, Registers Book No. (5,10,20,30,40), Envelope (different sizes) and other various stationery items** to this Registry during the year 2022-23. The quotation papers along with brochures shall be received by this Registry upto 11:00 a.m. of the 22nd April, 2022 and the sealed quotations shall be opened on the same day at 11:30 a.m. in the presence of quotationist (s) if any. The rates shall be clearly inclusive of all other charges like GST.

The quality, name of the brands and number of sheets (in case of papers) of the various stationery articles shall be mentioned clearly.

Right to accept any offer and reject the lowest rates or all the quotation papers received is reserved without assigning any reason thereof.

The firm shall have outlet/shop at Imphal. Furnishing of its particulars viz. name, address, phone number etc. are mandatory.

Detailed proforma of the stationery items can be had from the office of the undersigned on all working days.

*Sd/-* **Ph. Japan Singh**
**I/C REGISTRAR (ADMN./PM&P)**
**HIGH COURT OF MANIPUR**

HL-P/7588/7



## THE HIGH COURT OF MANIPUR
## AT IMPHAL
## NOTICE INVITING SEALED RATE QUOTATIONS

Imphal, the 6th March, 2022

No. HCM/C-46/98-A&E/II/ : Tender in the prescribed format duly filled and sealed addressed to the undersigned are invited from the reputed firms for supply or original PRINTER CARTRIDGES/TONNER **HP 88(A), HP 78 (A), HP 12 (A), Canon Cartridge-925, Canon Cartridge-303, Canon Cartridge-326, Canon Cartridge-328, Canon Cartridge-337, Canon Colour Toner no. 054 (Toner for image Class MF-643 CDW Black, Cyan, Magenta & Yellow), Canon Colour NPG-67 cartridge 1 set, Epson L805/673 ink (6 colours set), Ricoh Tonner 1230D, Ricoh Toner 2501S, Ricoh Toner 2014S, Ricoh Toner 2014HS, Gestetner Ink (CPI-10 & DX-2430), Gestetner-copy Master (CPI-10 & DX 2430), Ricoh Colour Ink-2011, Ricoh Colour Toner MPC-2030, Samsung pro Xpress (MLT-D203S) and Epson 372 Cartridge** to this Registry. The quotation papers shall be received by this Registry upto 11.00 a.m. of the 22nd April, 2022 (Saturday) and the sealed quotation papers shall be opened on the same day at 1.00 pm. in the presence of the quotationist(s), If any. The rates should be quoted clearly inclusive of all other charges like GSTs etc.

The quality, name of the brand and company's prescribed warranty period shall be mentioned clearly.

Right to accept any offer and reject the lowest rates or all the quotation papers recieved is reserved without assigning any reason thereof.

The firm shall have local outlet/shop at Imphal. Furnishing of its particulars viz, name, address, phone number etc. are mandatory.

Tender documents indicating full details may be collected from the office of the undersigned on any working day between 10.00 a.m. to 3.00 p.m. upto 21st April, 2022.

*Sd/-* **Ph. Japan Singh**
**I/C REGISTRAR (ADMN./PM&P)**
**HIGH COURT OF MANIPUR**

HL-P/7589/7



## URGENT JOB VACANCY

Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

*Airport Job Vacancy at Bangalore, Hyderabad & Kolkata*
*(Training with 100% Placement) First Come First Chance*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Loader/ Cargo Loader/Cleaner | Rs. 12000 above | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | VIP Lounge Staff/ Ground Staff | Rs. 15000 above | 20 | XII / Grad./ Master |
| 3 | Commercial CSA Staff/ Attendent | Rs. 15000 above | 20 | Grad / Master |
| | *Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)* | | | |
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Food & Beverage Supervisor | Rs. 10000 | 10 | XII / G |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 6000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 6000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Helper/ Chawkidar | Rs. 4500 - 20000 | 15 | VIII/X/XII |
| 6 | Cook / Waiter | Rs. 4500-20000 | 20 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Juice Selling Workers | Rs 5000 | 20 | VIII/X/XII |
| 9 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 10 | Supervisor / Trainer | Rs. 8000 – 20000 +EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 11 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |
| | *Vacancy at North East India (Male/Female)* | | | |
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking Staff (26 Yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

Last Date of Submission : 28/04/2022
For More Information Please Contact
Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm
# 7641836503 / 8794793684
Date of Interview : 29/04/2022

**Salai Unemployment Service Centre**
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking

HL-P/2179/7,8,11,13,17,18,20,23,25



OFFICE OF
## THE MANIPUR SAVINGS & INVESTMENT THRIFT AND CREDIT CO-OPERATIVE SOCIETY LTD.

H.O: LAMLONG BAZAR, IMPHAL, MANIPUR

/ NOTICE NO.39

Date 18/03/2022
No.7/N-GB/MSIC-85

### 39th ANNUAL GENERAL BODY MEETING 2020-21

Notice is hereby given to all the members of the Society that the annual General Body Meeting for the year 2020-21 will be held on the 10th April 2022 (Sunday), at 9.00 a.m. at SANGEET KALA SANGAM HALL, Khurai Lamlong Bazar, Opposite to the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd. to discuss the programmed wise Agenda.

1. President take the chair.
2. Condolence for the departed soul of the members.
3. Welcomes address by the Secretary with financial report for the year 2020-21 & Re-confirmed the previous Resolutions so far approved.
4. Speech by the Inspectors Co-operative Department Govt.of Manipur.
5. Speech by the Members.
6. Award to (i) Members of Board of Directors with a special presentation to Oinam Prahlad Singh as longest Director of the Society , (ii) Best Society Members (iii) Best loanee members, (iv) presentation to all supervisors (v) Award to Staff with a special presentation to Naoroibam Jiban Singh of his contribution to the Society.
7. Speech by the President.
8. Light Refreshment.

*Sd/-* Lairenlakpam Chandra Singh
Secretary, MSIC Ltd.

HL-P/1322/7



## M/S KANGLA GAS SOLUTIONS PVT. LTD.

LPG GAS PRODUCTS AND SERVICES
Email: -kanglagassolutions@gmail.com.
Website: - www.kanglagas.com

### WE ARE HIRING MAN POWER FOR KANGLA GAS SOLUTIONS Pvt. Ltd, MALOM BAZAR, IMPHAL-795140.

| Sl. No. | Post | Vacancy | Qualification | Sex | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Driver (mini commercial vehicle) | 2 | 8th Pass | Male | 1 year with valid Licence | Negotiable |
| 2 | Delivery Boy | 1 | 8th Pass | Male | NA | Negotiable |

Walk in with your Resume/CV along with related document during office hours 9:30AM to 4:30PM.
Contact No. 7085399802.

LPG BOTTLING PLANT at Sagolmang Khewa Company, Imphal East- Manipur- 795114.
Contact number at # 91+7085399802.

HL-P/2180/7